# মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরকপা চপ চানা থেংননবা সি এল পিনা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল,ওক্তোবর২২(এস এন এস)ঃ

হৌজিক চত্থরিবা এন এস সি এন–আই এম অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মরক্তা চত্থরিবা পীছ তোল্ক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরকপা খুদিংমক চপ চানা থেংননবা কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী মীফম্না ৱারেপ লৌখ্রে।

ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ তাবা মতমদা বাবুপরাদা পাঙথোকখিবা সি এল পিগী মীফম অদুদা ইন্দো–নাগা পীছ টোল্ক অসিনা হৌজিক ষ্টেট অসিদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা কুপ্না খন্নখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা সি এল পি মেম্বরশিংনা চহী দিকেদ কয়া চত্থরক্লবা ইন্দো–নাগা পীছ টোল্ক অসিনা ৱারোইশিন অমা লাকপা অসিগীদমক্ত থাগৎলি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মেম্বরশিংনা ৱাথোক অসি য়ুগ্লোন্নরিবা ষ্টেটশিং মপুং ওইনা মণিপুর মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট অমসুং ইন্টরেষ্ট শোক্কদবা ৱাফম য়াওদনা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকপগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা এন এস সি এন–আই এম নৎত্রগা লূপ অমত্তগা ৱারোইশিন পুরক্কবা হোৎনবদা ঙসি, হয়েং নৎত্রগা তুং লমচৎতা মণিপুর থুগায়নবা খোঙথাংশিং লৌখৎলকপদা পুন্না চপ য়ুংনা লেপমিন্ননবা ৱারেপ লৌখি হায়রি।

মীফম অদুনা মণিপুরগী টেরিটোরিয়েল, এদমিনিষ্ট্রেটিভ, ফাইনান্সিয়েল, সোসিও কলচরেল অমসুং পোলিটিকেল ইন্টিগ্রীটি ঙাক্তুনা থম্নবা সি এল পিনা হান্না লৌখিবা ৱারেপ অদু নৌহৌননা চেৎশিনহন্নবা অমত্তা ওইনা ফিরেপ লৌখি হায়রি।

# অপুনবগী শক্তম ঙাক শেন্নবা পার্টিগী ফিরেপ হোংবা লৈতে ঃ বি জে পি

ইম্ফাল,ওক্তোবর২২(এস এন এস)ঃ

মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম ঙাক্তুনা থমগনি অমদি মণিপুর মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট শোক্কদবা থবক তৌরোই হায়বা বি জে পিগী ফিরেপ হৌজিকসু হোংদনা লৈরি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাঙলোই সি ঐচ বিজয়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, কুমজা ২০১৭ কী ফেব্রুৱারি ২৬ তা লাংজিং অচৌবদা পাঙথোকপা মীখলগী কেম্পেইন্দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বি জে পিনা কৈদৌনুংদা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোক্কদবা থবক তৌরোই হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু হৌজিকসু হোংবা লৈতে।

লৈবাক অমগী প্রাইম মিনিষ্টরনা পীরম্বা থাজবা হোংগনি হায়বগী থাজদে হায়খি। এন এস সি এন আই এম অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পীছ টোল্ক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মদু নাগালেন্দ মনুংখক্তদা চৎনগদবনি।

মণিপুরগী নাগাশিংগী পেকেজ পীবা তারবসু ষ্টেট লৈঙাক্কী খুথাংদা পীনবা অমসুং করিগুম্বা ইশু অমগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা ফুরুপ কাঙলুপ নাইবা মওংদা চত্থবীদনবা বি জে পিনা সেন্ট্রেল লিদরশিংদা হায়জবা লৈখ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং এন এস সি এন আই এমগী মরক্তা চত্থরিবা পীছ টোল্ক অসিনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা ময়ি চৎপা য়াবা থবক থৌওংশিং চত্থবীদনবা হায়জবা হায়না য়ানখ্রে।

ইশু অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা নাগাশিংগী টেরিটোরিয়েল কাউন্সিল শেম্বা, ৬ শুবা সেদ্যুল চৎনহনবা য়াওনা ফুরুপ কাঙলুপ নাইবা থৌওং চত্থবীগনু।

এদমিনিষ্ট্রেসন রিফোর্ম তৌবা তারবসু মণিপুর লৈঙাক অমদি তোঙান তোঙানবা ষ্টেকহোল্ডরশিং তান্নদবা য়ারোই হায়বা ফিরেপ ঙসিসু হোংদনা লৈরি।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হোম জি কিষন রেদ্দিনা ঙরাং ইম্ফালদা লাকখিবা অদু মহাক্কী রুটিন ওইবা খোঙচৎ অমদনি। তান চান্নরুবদগী নাগা পীছ টোল্ককী ইশু অসি থেংনবনি।

ঙরাং পার্টিগী ওফিসতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিগা উন্নবদা ইশু অসিগী মতাংদা ৱাফমশিং পুথোক্তুনা খন্নখি হায়খি। লৈরিবা ফিভম অসিদা মণিপুর কায়গদৌরে হায়বগী মীপায়বীগনু হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# অপুনবগী শক্তমদা শোকপা য়ারোই হায়দুনা মহৈরোইশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর২২(এস এন এস)ঃ

ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি এন এস সি এন আই এমগী পিছ তোল্কনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা শোকপা য়ারোই হায়দুনা মহৈরোইশিংনা হ্যুমেন চেন শেম্লগা খোল্লাও কয়া লাওদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অদু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সি এন আই এম অনিগী পিছ টোল্কনা মণিপরগী অপুনবগী অকায়বা পিরকপা তারবদি থেংনগনি হায়দুনা অমুকো, য়ু সি এম, সি সি এস কে, হেরিকোন অমদি লিপুল লুপ মঙা অসিনা পুনশিল্লগা ঙরাং শেম–খবা কোর্দিনেসন কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)গী লমজিং মখা চত্থখিবনি।

ঙসিগী খোজং অদু তোঙান তোঙানবা কোলেজ মহৈরোইশিংনা মাগী মাগী কোলেজগী গেটতা থোক্তুনা খোঙজং চংশিন্নবা হোৎনবদা কোল্লেজ খরদদি পুলিসনা গেটতা থিংখি। টিদিম লম্বীগী সঙাইপ্রৌদা লৈবা ইম্ফাল কোল্লেজগী মহৈরোইশিংনা মখোয়গী কোল্লেজ গেটতা থোক্তুনা খোঙজং চঙশিন্নবা হোৎনবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম অমনা থিংখি।

অমরোমদা, ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা কিম্পিটিটিম সক্সেস একাদেমী, মণিপুর কোলেজ অমদি লিবরেল কোলেজগী মহৈরোইশিংনা মাগী মাগী কোলেজ গেটতা থোক্তুনা হ্যুমেন চেন শেম্লগা মণিপুর অপুনবগী শক্তমদা শোকপা য়ারোই, লোং লিভ মণিপুর হায়বা খোল্লাও কয়া লাওখি।

# ‘সি বি আই না থিজিল্লবা মতুংদা এক্সন লৌখৎলম্লবদি অপেনবা ওইরমগনি’

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২২(এস এন এস)ঃ

মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন্না লৌবা মণিপুর সিভিল সার্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ একসজামিনেসন (এম সিএস সি সি ই) ২০১৬ দা মায় পাক্তুনা চহী অনী হেন্না গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়াদা থবক তৌরম্লবা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিং অদুবু একজামিসেন অদু পাঙথোকপদা অশোয়বা অরানবা কয়া য়াওখি হায়দুনা মণিপুর হায় কোর্টনা হৌখিবা ওক্তোবর ১৮ দা থবক্তগী লৌথোকপীবা অসি নুংঙাইতবা ফাওই, লোয়নন্না ৱাথোক অসি সি বি আই দা হান্না থিগৎহল্লবা মতুংদা থবক পায়খৎপা ওইরম্লবদি হেন্না অপেনবা ওইরমগনি হায়না থবক লৌথোকপদা য়াওখ্রবা তোঙব্রম বিমোলচান্দ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা এম সি এস সি সি ই ২০১৬ গী মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেট কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। বিমোলচান্দনা মখা তানা হায়, হন্দক একজামিনেসন অসিগী মতাংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী স্পেসিয়েল বেঞ্চনা তাখিবা ৱারেপ অদু মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিং অসিনা তরাম্না ওকই অদুবু ৱারেপ তাদুনা থবক্তগী লৌথোকপিখ্রবা মতুংদা সি বি আই দা মখা তানা থিজিন্নবা হায়বগী মহুত্ত সি বি আই দা হান্না মপুং ফানা থিজিনহল্লগা চপ চাবা অুসম অরান খঙদোক্লবা মতুংদা এক্সন লৌখৎপা ওইরম্লবদি হেন্না অপেনবা ওইরমগদবনি।

মহাক্না হায়, হৌখিবা চহী ২০১৫ গী সিসেম্বর ২৯ দা তোঙান তোঙানবা পোষ্ট ৮২ লৌনবা এম পি এস সি না এদভর্টিজমেন্ট থোকখিবনি। অদুবু মণিপুরগী দোমিসাইল নত্তবা মীওই কয়ানা ওনলাইনদা ফোর্ম থাজিল্লকপদগী এদভর্টিজমেন্ট অদু ২০১৬ গী ফেব্রুৱারী ১৬ তা থিংজিনখি। মসিগী মতুংদা তোঙানবা ক্রাইটরিয়া কয়া হাপচিল্লবা মতুংদা ২০১৬ গী এপ্রিল ৭ তা পোষ্ট ৮২ অদুমক্কী নৌনা এদভর্টিজমেন্ট অমুক থোকখিবনি।

মসিগী মতুংদা ২০১৬ গী জুলাই ৩ দা কেন্দিদেট ৯০০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা প্রিলিমিনরি একজামিসেন পাঙথোকখি। মসিদগী হৌরগা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা অয়েৎ অপন থোক্লকপা হৌরকখি। অদুবু মতম কুইনা য়েৎনবা কয়া লৈরবা মতুংদা কোর্টনা অয়াবা পীবদগী মায় পাক্লবা কেন্দিদেট ৮২ দা এপোইন্টমেন্ট লেটর পীদুনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা থবক পুবা হৌরকখিবনি।

থবক খনখিবগী প্রোসেস অসিদা অশোয়বা অরানবা কয়ামরুম য়াওই হায়দুনা মখা তানা কোর্টকী ওর্দর অমগী মতুং ইন্না মীওই অনীনা শাবা কম্মিটি অমনা থিজিন্দুনা লাকখিবনি। কম্মিটি অদুগী রিপোর্ট মতুং ইন্না হন্দক একজামিনেসন অদুগী রিজল্ট অদু ককথৎখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কোর্টকী ওর্দর অদুদা কেনিদদেটশিংগী ওইনা লান্নাইগী অরানবশিং থোয়না লৈতে, একজামিসেন অদু পাঙথোকপদা টেক্নিকেল ওইবা অশোয়বা কয়া য়াওবদগী রিজল্ট অসি ককথৎপনি হায়না পল্লি। মরম অসিনা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিং অসিনা মরালসু লৈতনা করিগী অৱাফম তাগদৌরিবনো, মসিদা মরী লৈনবশিংনসু মীৎয়েং চঙহন্নিংই লোয়ননা থবক্তগী লৌথোকপীখ্রবা মীওইশিং অসিগী লিগেল রাইটকীদমক মখা তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা অখঙ অহৈশিং তান্নরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা হায়খি।

# কোকোমিগী মীহুৎশিংগা সি এমগা পুং ১ হেন্না ৱারী ...

*লমায় ১গী মখা*...ৱাফম থল্লকখি।

চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু তরবা তুংদা মদুগী ৱাফম অদু কোকোমীগী ওইনদি মখা তানা খন্নবগী তঙাইফদবা লৈবনা মখোয়না খন্নরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরদা পাউ পীজরক্কে হায়রমখি হায়রি।

লৈরিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা কোকোমীগী ওইনদি হান্না লেপখিবা পীছ টোল্ককী অরোইবা খূৎয়েক পীনবা মতমদা মণিপুরগী অপুনবা শক্তমদা শোকহনবা য়াবা ৱাফম য়াওরবদি লৌথোকপীয়ু হায়বা ৱাফম অদু অহোংবা লৈতে।

লোয়ননা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কন্নবগীদমক পুন্না থেংনমিন্নবগী ফিরেপ ঙসিসু হোংদনা লৈরি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা দিল্লিদা চৎলুবগী মতাংদা ৱারী শান্নবদা আর এন রবিগুম্বা পীছ টোল্ক অসিগী য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা মীওই অমনা পীছ টোল্ক অসি লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১দা অরোইবা খূৎয়েক পীনরগনি হায়না লাওথোক–খবা অসি প্রাইম মিনিষ্টর নৎত্রগা হোম মিনিষ্টরগী নোলেজ য়াওদ্রা হায়বদু খঙদোক্লবা চৎলুবনি। অদুবু মদুগী পাউখুম ফংদনা মহাক হল্লকখি।

অদুম ওইনমক ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ওইবা দেলিগেসন অমা লাকপা মতমদা তরাম্না ওকপীনবা ৱাফম ফোঙদোক্লগা মহাক তঙাইফদবা অমগীদমক হল্লকখিবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর বিরেননা ফোঙদোরকখি হায়রি।

# য়ুনিয়ন মিনিষ্টর য়াওনা সেক্যুরিতি রিভিয়ু ...

*লমায় ১গী মখা ...* চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিং, সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং য়াওনা উন্নবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরগী ষ্টেট অসিগী ওইরিবা সেক্যুরিতিগী মীফমগী মতাংদা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রবসু হিরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদ্রে।

পাউ মীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা হায়, ঙরাং গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুল্লাগা উন্নখিবা অদু মপুং ওইনা ষ্টেট অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী ফিভমগী মতাংদা খন্নবা নত্তনা অতৈ থোইনা খন্নবা লৈতে। হৌজিক চত্থরিবা নাগা পীছ তোল্ক অসিগী মতাংদা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা খন্নদে হায়খি।

অমরোমদা ঙরাং মণিপুরগী গভর্ণরনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ষ্টেটসতদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিগা লমদম অসিগী ইশু কয়াগী মতাংদা খন্নখি হায়না অপলোদ তৌরকপা লৈখিবনি।

অমরোমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ইম্ফাল থাদোক্লমদাইদা লৈরিবা ইশু অসিগী মতাংদা পাউ লৌবা চৎখিবা পাউমীশিং এয়ারপোর্টতা মথৌ তৌখিবা সি আই এস এফ অমসুং মণিপুর পুলিসকী কাঙবুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদগী পাউ লৌনবা হোৎনবদা অপনবা পীখি।

মফম অদুদা মতম শাংনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরবু ঙাইদুনা লৈরকখিবা অদু কান্নবা ফংহনখিদে। পাউ লৌনবা ঙাইখিবা পাউমী ৫খক শেন্ননবা সি আই এস এফ পার্সোনেল ১৫রোম থোরকখি। লোয়ননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা পাউ লৌনবা হোৎনরিবা পাউমীশিংবু নাকলদা ইন্থোকপা অমদি ভিদিও কেমেরামেনবু তুংদগী চিংবনচিংবা তৌদুনা পাউ লৌহন্দনবা হোৎনখি।

# ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে

ইম্ফাল,ওক্তোবর ২২ (এস এন এস)ঃ

নুপীদা ফজদবা খোন্দা শিজিন্নবদা নত্তনা নোংমৈ কাপথোক্তুনা অশোক অপন নংহনখিবা ফুদ কোপরেসন ওফ ইন্দিয়া (এফ সি আই) গী দিপ্যুটি জেনরেল মেনেজর ডা. এস জেমসকী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না সি এ এফ এন্দ পি দি লেবর ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী শিন্মীশিংনা সঙাইপ্রৌদা লৈবা এফ সি আই গোদাউন মমাঙদা ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এসোসিয়েসনগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী কোম্থৌজম মনিতোম্বনা পাউমীশিংদা হায়, এসোসিয়েসন অসিগী ফেমিলি কম্মিটিগী মীহুৎশিংনা দি জি এম দা মেমোরেন্দম পীশিনবা চঙবদা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদু এসোসিয়েসন অসিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। নুপী ওইবীদা মহাক্না শিজিন্নখিবা ফজদবা ৱাঙাং অমদি নোংমৈ ফাওবা কাপথোক্তুনা অশোক অপন নংহনখিবা অদুগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম অসি চত্থবনি। এসোসিয়েসন অসিগী এদভাইজর ওইরিবা কবিতা হিজম হোস্পিটালাইজ তৌদুনা লৈরি। দি জি এম না চত্থখিবা থৌওং অদু নুপী খুন্নাইবু উশিৎতবনি হায়না লৌই। লৈঙাক্না মহাক্কী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোরকখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা নুপীদা নোংমৈ কাপ্পা য়ানিংদে, নুপী খুন্নাইবু শিংনগনু, শিন্মীশিংসু মীওইবনি, শিন্মীশিংগী হক মৎপিগনু হায়বা প্লেকার্শিং শিজিন্নখি।

# কম্ম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসন অমা হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল,ওক্তোবর ২২ (এস এন এস)ঃ

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হেনবুংদা লৈবা ফন্দমেন্টেল ফোর ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট সার্ভির্সেস (ফীদস), কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে) গী কেম্পসতা এফ এম ১৯.২ মেগা হজ কম্ম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসন অমা নৌনা আই পি আর মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা হৌদোকখ্রে।

কম্ম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসন অসি ষ্টেট অসিগী চীংগী লমদা হাংদোকপা অহানবা রেদিও ষ্টেসননি। অদুগা কে ভি কে গী ওইনা হাংদোকপনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা অহানবনি। কম্ম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসন অসিনা মফম অসিদগী কি মি ১২ কোনবা রেদিয়সতা লৈবা চীং অমসুং তমগী মফমশিংদা থৌরম কয়া তাবা ফঙহনগদৌরি। ফীদস/কে ভি কে সেনাপতিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা হায়, কম্ম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসন অসি মনুং হঞ্জিনবা চীংগী লম অমসুং খুঙ্গংশিংগীদত্তদি য়াম্না মরু ওই। ষ্টেসন অসি ঙসিদগী মপুং ফানা চলাইবা হৌরবনিনা লৈবাক্কী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংগী ঈ–পাউশিং, লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়াওনা লৌমী মীয়ামদা কান্নগদবা এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচরগী পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং, আর্ট এন্দ কলচর অমসুং মতম মতমগী ওইবা ঈ–পাউশিং তাবা ফঙলগনি। লোয়ননা মীয়ামগী ওইবা অৱা নুংঙাই কয়াসু ফোঙদোকপগী মফম অমা পীরগনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খিবদা, ঐখোয়না হিংলিঙৈদা তুংগী মীরোলশিংগীদমক অফবা সমাজ অমা শেম্লসি। ঐখোয়না ইশা ইশাগী হক্কীদমক খনবগা লোয়ননা তৌগদবা থৌদাংসু খঙনা থবক্তা ওনশিনসি। মসিনা লমদম অসি চাওখৎপা, ইংবা তপ্না লমদম অমা ওইহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

# কোকোমি: ঙসিদগী...

*লমায় ১গী মখা...* চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনা মতেং পাংবিয়ু হায়খি।

ওক্টোবর ২৩ দগী ৩১ ফাওবদা মণিপুরগী মফম খুদিংদা চেকশিন মীফম ফমদুনা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই, ইন্দিয়ানা কাঙলূপ নাইবা থৌশিল তৌবা য়ারোই, মণিপুরগী এম এল এ খূদিংমক দিল্লি চৎলু, এম এল এ ৬০ নরোল চুম্মু / ফিরেপ লেপ্পু, ইন্দিয়ানা মণিপুর থুগায়গনু অমসুং ৱারোইশিন পুরকউ –ৱাকাই পুরক্কনু হায়বা স্লোগানশিং লাউগনি হায়রি।

# কেলেন্দর বোর্দ...

*লমায় ১গী মখা* ...কেলেন্দর বোর্দনা পুথোক্তুনা লাক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুর লৈঙাক্নসু ওক্টোবর ৩০ দা লৈঙাক্কী লোইশঙশিং শুতি থারিবসি ওক্টোবর ২৯ দা ওইনা থাবিয়ু। লোয়ননা ফিসারি দিপার্টমেন্টনা নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ঙাগী মেলাসু ওক্টোবর ২৮ দা পাঙথোক্তুনা ওক্টোবর ২৯ গী নিঙোল চাক্কৌবগী খুদোং চাবা ফঙহনবিয়ু। লমদমসিগী মীয়াম্নসু অশেংবা হিয়াঙ্গৈ নীনি পানবা ওক্টোবর ২৯ লৈবাকপোকপা নুমিৎ অসিদা চাক্কৌবীয়ু।

মণিপুরগী য়ুমথোঙ খুদিংদা শীজিন্নরিবা কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দকী রেজিষ্টর নম্বর য়াওবা কেলেন্দরবু মণিপুর লৈঙাক্না লৌখৎপীরবদি কেলেন্দরদা থাবানগী চয়েৎনবা থোক্লিবা অসি মতুংদদি অমুক লৈরোইদৌবনি হায়খি।

# মণিপুর অপুনবগী শক্তমদা শোকপা য়ারোইঃ এম এম দব্লিউ ও

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২২(এস এন এস)ঃ

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সি এন (আই এম)গী পিছ টোল্কনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা শোক্লকপা য়ারোই। করিগুম্বা শোক্লকপা তারবদি মণিপুর মুস্লিম ৱেলফিয়ার ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিউ ও)না মীয়ামগা পুল্লগা চপ চানা থেংনগনি হায়না ৱেলফিয়ার অসিগী প্রসিদেন্ট অবদুলাহ ফুন্দ্রেময়ুমনা ফোঙদোকখ্রে।

হিরমসিগী মতাংদা এম এম দব্লিউ ওগী হট্টদা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা অবদুলাহ ফুন্দ্রেময়ুমনা হায়খিবদা, হৌজিক চত্থরিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সি এন (আই এম) গী পিছ টোল্ককী ৱারোইশিন থা অসিগী ৩১গী মনুংদা পীরগনি হায়না ইন্টর্লোক্যুটর আর এন রবিনা লাওথোকখিবা লৈরে। হায়রিবা ৱারোইশিন অসিদা মণিপুর মীয়ামগী মায়োক্তা অমদি অপুনবগী শক্তমদা শোক্লকপা শুংয়া য়ারোই হায়না এম এম দব্লিউ ওনা মমাঙদা লৌখিবা ফিরেপ অমুক্কা হেন্না চেৎশিনবা ফিরেপ লৌরে। হীরম অসিগী মতাংদা এম এম দব্লিউ ওনা চৎলিবা চহী অসিগী অগষ্ট থাগী ২৫দগী হৌদুনা মণিপুরগী মীতৈ পাঙলশিংনা খুন্দারিবা মফম শিন থুংনা চত্তুনা মীয়ামগা ৱাতানবগী থবক থৌরমশিং মপুং ওইনা লোশিল্লক্লে।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সি এন (আই এম) গী পিছ টোল্ক অসিগী ৱারোইশিন অসিগী ৱারেপ থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা লোইরগনি হায়না লাওথোরকপা অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেগ হোল্ডরশিংদা করিগুম্বা অমফাওবা খঙহল্লকখিদে। মসিনা তাকপদি পিছ টোল্ক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুর মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট শোকপা য়াবা মরম য়াওরে হায়বগী মমি তারে হায়খি।

ৱারোইশিন পুরক্কদবা শুপ্নগী নুমীৎ ১০ খক্তা ঙাইরক্লবা অসি ফাওবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুর গভর্নমেন্ট অমদি ষ্টেগ হোল্ডলশিংদা করিগুম্বা অমফাওবা খঙহনদবা অসিদি কাংলুপ অমা নৎত্রগা লানহৌলূপ অমা য়ানবা হোৎনবদা অতোপ্পা ফুরুপশিংগী ইন্টরেষ্ট অমদি সেন্টিমেন্টগী মরম করিশু ওইনা খন্দবগী মওং মানবা থৌওংনি।

অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মণিপুর মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজংশিং মমায় চুম্বনগীদমক্তা য়ু সি এম, অমুকো, সি সি এস কে, হেরিকোন অমদি লিপুন হায়রিবা লূপ মঙা অসিনা পুনশিল্লগা কো–ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) কৌবা লুপ অমা শেম্লকপা অসিদা এম এম দব্লিউ ওনা তরাম্না ওকই। মণিপুর মীয়ামগী অমদি মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিগীদমক্তা তোঙান তোঙানন্না থেংনবগী মহুত্তা অপুনবা ওইনা থেংননবগীদমক লূপ মঙানা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইহনি। অমদি লূপ অসিনা মণিপুর মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা এম এম দব্লিউ ওনা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌনবা শেম শাবা লোইরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অমরোমদা ঙসি নুংথিল হট্টাদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন (অমসো)নসু নাগাগী ইশুগী ৱারোইশিন অমা পুরকপদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা শোকহল্লকপা য়ারোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

পাউগী মীফমদুদা অমসোগী প্রসিদেন্ট সাহনৱাজ মককময়ুমনা হায়খিবদা, মতম কুইনগী মমাঙদা ইনিদয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সি এন আই এম অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা নাগাশিংগী ইশুগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা থা অসিগী ৩১দা পুরক্লগনি হায়বসি অমসোনা তরাম্না ওকই। অদুবু মখোয়গী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়গদবা ৱাফম য়াওরক্লবদি মহৈরোইশিংনা তুমিন্না খক লৈথোক্লোই। মরম অসিনা মীয়ামগী ঈহুল খঙনা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা থবক লৌখৎপিয়ু হায়না মখা তানা হায়খি।

# তঙাইফদবা হারগী চাংদমক শীজিন্নদুনা হকচাংদা শোক্লোইদবা মহৈ মরোং পুথোকসি ঃ আর কে রঞ্জন

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২২(এস এন এস)ঃ

লৌমীশিংনা মাগী মাগী লৌফমদা হার কা হেন্না শীজিন্নবগী মহুত্তা সোইল টেষ্ট তৌদুনা লৌফমদা তঙাইফদবা চাংগী হারখক্তমক শীজিন্নদুনা মীওইবগী হকচাংদা শোক্লোইদবা মহৈ মরোং পুথোকসি হায়না লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি আই সি এ আর–কৃষি ভিজ্ঞান কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা ফর্টিলাইজর এপ্লিকেসন হায়বা হীরমসিদা ইম্ফালগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা আই সি এ আর গী থ্রেসিং সেদদা পাঙথোকখিবা এৱারনেস প্রোগ্রামদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়খি, কুমজা ১৯৬৬–৬৭ অদুৱাইদা ইন্দিয়া পূম্বদা লৌউ শিংউবগী পোখোকশিং য়ান্না নেমদুনা মীপাল তাংবা লৈবাক অমা ওইরম্মী। মসিগী মতুংদা গ্রীন রিভোলুসন লাক্লবা মতুং ইন্দিয়াগী মীশিং অসি চাবা কোন্নবা পোখোক পুথোক্লবা হোৎনবদা এগ্রিকলচরেল রিভোলুসন কয়া হৌখি। মসিদগী ইন্দিয়া অসি চাবা থকপদা মীপাল তাংদবা লৈবাক অমদি ওইবা ঙম্লে।

মহাক্না হায়খি, লৌমীশিংনা মরম চাদনা হার শীজিন্নবনা লৈবাক লৈহাওদা অমাংবা পীবদা নত্তনা মীওইবগী হকচাংদা শোকহল্লি হায়বগী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম্নি। লৈবাক লৈহাওগী চাংয়েং তৌদনা হার পংচাইদা চাইবনা ফুদ চেনগা মরী লৈনদুনা মীওইবগী হরকচাং শোকহনবা য়াবা লায়না কয়া পোকহল্লি হায়বসি মীয়াম্না ইখঙ খঙদবদৌনা তৌই। লৌমী অমনা মহৈ মরোং নৎত্রগা পোখোক মরাং কায়না পুথোক্কে হায়রবদি লৌমীশিংনা হার অসি করম্বা মফমদা কয়াম চাইগদগে হায়বসি নীংথিনা খঙবা চঙই।

অমরোমদা হৌজিক লমদম অসিদা লৌফম অয়াম্বা লৌমী অশেংবনা পায়দবনা মরম ওইরগা সেন্টরনা অমদি ষ্টেটনা লৌমীশিংদা পীবা কান্নবা অমত্তা ফঙদ্রি। মরম অদুনা লৌমী নত্তবনা লৌ পায়রিবশিং ইশা ইশানা থাদোক্লসি। লোয়ননা লৈঙাক্না পীবা কান্নবশিং লৌমীশিংদা ফঙহনসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবা আই সি এ আর রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজন মণিপুর সেন্টরগী প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট (সিদ টেক) ডা. আই মেঘাচন্দ্রনা হায়খি, লৌমীশিংনা হার শীজিন্নবদা কাঙলোন চুম্না শীজিন্নদবনা অমাংবা কয়া লাকই। লৌফম পরি অমদা তঙাইফদনা চঙলিবসি নাইট্রোজেন কেজি ৬০, ফোসফরস কেজি ৪০ অমসুং পোটাস কেজি ৩০ নি। মণিপুর অসি মহৌশানা লৈহাও লৈবা লমদম অমা ওইরবসু লৌমীশিংনা হার হেঞ্জিন্না চাইবদগী লৈবাক লৈহাওদা চাউনা অকায়বা পীরে। হার হেন্না চাইবনা লৌফম শোকপদা নত্তনা লায়না তিন্না কয়া পোক্তুনা চাথোক হন্থহনবগী মচাক অমসু ওই।

মরম অদুনা লৌমীশিংনা য়ুরিয়া কন্ট্রোল তৌরবদি লৈবাক লৈহাও মাঙহনবগী চাং খরমখৈ হন্থরক্কনি। গ্রীন মেনরগী কান্নবসু লমদম অসিদা কনা অমত্তনা লৌনদে। মনা মশিং মৈ থাদোক্লবা মতুং লৌবুক্তা শীজিন্নরবদি লৈবাক লৈহাও ফবতা নত্তনা মীয়ান্না কন্না মায় ওনশিল্লিবা ওর্গানিক ফার্মিংশু মায় পাক্কনি হায়খি।

থৌরম অদুদা আই সি এ আর রিছার্চ কমপ্লেক্স ফোর এন ই ঐচ রিজন, মণিপুর সেন্টরগী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. নরেন্দ্র প্রকাশ অমসুং কে ভি কে ইম্ফাল ৱেষ্টকী হেদ কেঐচ হেরাসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা ফার্মর ট্রেনিং প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা সার্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি।

# মণিপুর অমদি নাগালেন্দদা অমুর ফালকোন ওক্লবগী চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ২২ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরগী তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট অমদি নাগালেন্দগী ৱাখা দিষ্ট্রিক্টতা থুংলবা হৌরগদবা অমুর ফালকোনশিং তেক্তা কায়দনা থুংহলনবা চেকশিন থৌরাং কয়া ষ্টেট অনী অসিগী গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা লৌখৎখ্রে।

অমুর ফালকোনশিং অসি মহৌশানা খা থংবা অফ্রিকাগী নীংথম থা মতমদগী কিলোমিটর ২০,০০০ লোম লেপ্তুনা পাইরক্লগা ওক্টোবর থাদা মণিপুর, নগালেন্দ অমদি অৱাং নোংপোক লমদমগী মফম খরদা মশীং য়াম্না থুংলবা হৌবনি। মখোয়না আফ্রিকা ফাওবা লেপ্পা লৈতনা পাইবা কোন্ননবা মচিঞ্জাক চাশিল্লবা মতুংদা মফম অদুদা নীংথম থা লেল্লুনবগীদমক্তা নবেম্বর থাদা লমদম অসি থাদোকখিগদৌরিবনি।

মণিপুরগী তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মখোয়না থুংলগদবা মফমশিং অদুদা মখোয়বু তেক্তা কায়দনা লৈহন্নবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মীয়ামদা ভাব তাহনবগী থবক মাঙজৌননা লৌখৎপা হৌখ্রে। মখোয়দা অতেক অকাই থোকহনবা য়াবা ইয়ার গন শিজিন্নবদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না অথিংবা থমখ্রে। তমেংলোংদা থুংলগদবা অমুর ফালকোন খরদসু মখোয়না চৎকদবা লম্বীশিং খঙদোক্লবগীদমক ডিজিটেল টেক নপশিনখিনবগী থৌরাংসু তৌরিবনি।

অমরোমদা নাগালেন্দগী ৱাখা দিষ্ট্রিক্টকী কিলোমিটর অহুমগী লমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না নিল খোংবা য়াদবা সাইলেন্স জোন ওইরে হায়না লাওথোকখ্রে। অমুর ফালকোনশিং অসি ৱাখাগী পাঙতি খুন্দা লৈবা কোয়াং রিজার্বরদা পুন্না চাকতারবনি। অদুবু ওক্টোবর অমদি নবেম্বর থা অসিদা লমদম অদুগী মীয়াম্না পিকনিক শিনবা নৎত্রগা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম হেক হেক শিল্লিবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা থুংলগদৌরিবা অমুল ফালকোনশিং অদুদা অকায়বা পীদনবগীদমক্তা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না সাইলেন্স জোন ওইরে হায়না লাওথোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, হান্নদি তমেংলোং অমদি ৱাখাগী মীওইশিংনা পাইরক্লিবা উচেকশিং চানবা অমদি লমদমশিং অদুগী কৈথেলশিংদা য়োন্নবগীদমক্তা ফাদুনা হাৎপগী থবক চত্থরম্বনি। অদুবু অমুর ফালগোনগী মরু ওইবদু খঙনরকপদগী ষ্টেটশিংগী মমায় ওইবগা লোয়ননা ঙাক শেনবগী থবক থোরকখিবনি।

# হুয়েন লাল্লোং মণিপুর থাঙ তা কলচরেল এসোসিয়েসন্না লম তু শেংদোকখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর২২(এস এন এস)ঃ

হুয়েন লাল্লোং মণিপুর থাঙ তা কলচরেল এসোসিয়েসন ইরিলবুংনা স্বাছ ভারত মিসনগী মখাদা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিস কমপ্লেক্সতা লম তু শেঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিগী আর্টিষ্টশিং অমসুং ষ্টাফশিংনা পুন্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা লম তু শেঙদোকপা অদুগী মতাংদা এসোসিয়েসন অসিগী ইন্সত্রক্টর এম ইবোমচানা হায়, লম তু লুনা নান্না থম্বা হায়বসিনা পুক্নিং অমসুং ৱাখল তরু তনান্না লৈহনবদা মতেং ওইরিবনি।

লম তু মোৎলবদি পুক্নিং ৱাখল মোৎকনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা ঐখোয়গী অকোয়বা অসি তরু তনান্না থম্নবগী খোঙথাং অসিদা পুন্না শরুক য়ামিন্নবা চংই।

# আই এ এস ওফিসর অমগী নুপী অতোম্বীনা নুপী...

*লমায় ১গী মখা...* পঞ্চায়েট সেক্রেটরী ওইনা থবক তৌবা মমিং লৈরবা মোদেল অমনি হায়না শীংথারি। মহাক অসি জেনিমসকী ডাক্তর অমগী মপুরোইবনি অমদি অঙাং অহুমগী মপানি খঙনা খঙনা শ্রীমতি পুনিবু ২০১৬ তগী তরাম্না তৌরি, সেবা তৌহল্লি, লোয়নরি অমদি লন্নাইগী থবক তৌহল্লি হায়না পল্লি।

শ্রীমতি পুনিনা মহাক্কী কাউন্সেলগী খুত্থাংদা মহাক অসি শ্যামসুন্দরগী অনীশুবা নুপীনি হায়না কোর্টতা থমখি। অদুবু হিন্দু মেরিয়েট এক্ট ১৯৫৫ গী মতুং ইন্না মঙোন্দা অনীশুবা নুপী ওইবগী মফম পীবা য়াদে হায়না কোর্টনা ওবজার্ভেসন পীখি।

ডা. রঞ্জিতাগী কাউন্সেলনা শ্রীমতি পুনিনা তৌগে হায়বা অমা য়াওনা রঞ্জিতাগী ইংনা পাঞ্জরিবা ইমুংদা খূৎ থিংজিন্দুনা “কন্সোর্টিয়ম, দিফেমেসন অমদি মেন্টেল এন্দ নার্ভস সোক” থোকহল্লে হায়না মরৈ য়েংখি। ডা. রঞ্জিতা অসি কায়রবা ইমুং অমগী নুপী ওইবদগী সাইক্রাত্রিক ট্রিটমেন্ট চত্থদুনা মহাক্কী ইকায় খুম্নবা মাঙহল্লে হায়বা ৱাফমসু থমখি।

শ্যামসুন্দরনা শ্রীমতি পুনিগা ইল্লিসিট ওইবা মরী লৈনৈ হায়বা য়াখিবগা লোয়ননা লমদম অসিগী চৎনবী মতুং ইন্না লৌখত্তুনা মহাক্কী অনীশুবা নুপী ওইনা লৌরে হায়খি।

ডা. রঞ্জিতানা লুপা কোটি ১০ গী কম্পেন্সেসন পীনবা হায়জরবসু লুপা লাক্ষ ৭০ শ্রীমতি পুনিনা পীহন্নবা য়াথং পীখিবনি।

# অমত্তা ওইবগী শক্তম ঙাক্নবা পার্টি পূন্নমক্কী ...

*লমায় ১গী মখা...*অপুনবগী শক্তমদা হিরম অমত্তদা শোকহনবা য়ারোই।

ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং এন এস সি এন–আই এমনা চত্থরিবা পীছ তোল্ক অসিনা নাগালেন্দ মনুংদা ইংথ তপথবা পুরক্লবা হোৎনবদা থোইনা কায়দে। মদুগীদমক্তদি মণিপুরগী মীয়াম্না তরাম্না ওক্লি। অদুবু মসিনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা শিংনরকপদি য়াবা ঙম্লোই হায়নসু পল্লি।

চত্থরিবা পীছ তোল্ক অসিনা মণিপুরগী এদমিনিষ্ট্রেসন, শেল থুম, পোলিটিকেলগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা অপনবা পীরোইদৌবনি। করিগুম্বা শেল থুমগী ওইবা পেকেজ পীবা তারববসু মদু ষ্টেট লৈঙাক্কী খুত্থাংদা পীগদবনি হায়বা ৱাফম লৈরিবনি।

ঙসিগী মীফম অদুদা পোলিটিকেল পার্টি খরদগী মীফম অসি খর থেংনল্লে। মসি থা খরগী মমাংদা কৌরম্বা য়ারবা মীফমনি। মসিনা লমদম অসিগী মীয়ামগী অপুনবা অদু সেন্টরদা পীরগা খঙনবা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈতে।

মরম অসিনা থেংঙলবসু থেঙনা ঙসি মীফম পাঙথোকপা অসি লাইবক ফবনি হায়খি।

ঙসি শেমখিবা দ্রাফটিং সব কম্মিতি অসিনা হয়েং অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারগী ওফিসতা অহানবা মীফম পাঙথোক্তুনা অথুবা মতমদা লমদম অসিগী মীয়াম অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অসি গী মীহুৎশিংগী অপাম্বা য়েংলগা মেমোরেন্দমদা হাপকন্দবা ৱাফমশিং দ্রাফ তৌনবা মীফম পাঙথোক্কনি।

কম্মিতি অসিনা অথুবা মতমদা মেমোরেন্দম শেম শাবা লোইশিনলবা তুংদা দিল্লিদা পোলিটিকেল পার্টিগী দেলিগেসন অমা দিল্লিদা চত্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরনচিংবা উন্নদুনা ৱাথোক অসিদা মণিপুর মীয়ামগী ওইবা অপাম্বা অদু খঙহল্লগনি হায়রি।

ঙসিগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মায়কৈদগী লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি থেংলবসু থেংনা য়াম্না অফবা খোঙথাং নি হায়না থাগৎনখি।

# ‘ইনকম হেগৎহন্নবা হোৎনবা মথৌ তারে’

ইম্ফাল,ওক্টোবর ২২ (এস এন এস)ঃ

লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা লৌমীশিংদা মতম মতমগী পোখোকশিং থাহন্দুনা ঐখোয়গী ইনকম হেনগৎনবা হোৎনবা অমা মথৌ তারে হায়না হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জাভেসনগী কম্মিস্নার, এম হরেকৃষ্ণনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফিয়ার, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী কোকোনট দিভলপমেন্ট বোর্দনা স্পোন্সর তৌদুনা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জাভেসন দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা এসপেক্ট এন্দ প্রোসপেক্ট ওফ কোকোনট প্রদক্সন এন্দ পোষ্ট হারভেস টেক্নোলোজি, ভেলু এদেদ হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেভেল ৱার্কসোপ অমা হৌদোকপগী থৌরমদা হায়খিবনি। হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হরেকৃষ্ণনা মখা তনা হায়খিবদা, কনাগুম্বা মীওই অমনা যুবী পাম্বী ১০০ খক মায় পাক্না থাবা ঙম্লবদি মীওই অদু চহী ৭০ গী শিনফম অতে তৌদ্রবসু ইমুং মনুং লায়না পুবা ঙম্লে। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা ফঙলিবা যুবী অসি ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা যুবী ওইবনা মীয়াম্নসু পান্বগী চাং য়াম্না হেল্লি। মণিপুরদসু শাবগী চাং হেনগৎলকপা অসি য়েংদুনা যুবী থাবা য়াবা মফমশিং খঙদোক্তুনা যুবী অসি পাক শন্না থানবা থৌরাং তৌবা মতম ওইরে। থৌওংশিং অসি পায়খৎলবদি লৌমীশিংদসু অহেনবা ইনকম কয়া লাক্কগনি হায়খি।

# অসামদা অঙাং ...

*লমায় ১গী মখা* ... চৎকদবনি হায়বা ৱাফম য়াওই।

অনৌবা লেন্দ পোলিসি অসিগী মতুং ইন্না লম লৈজদবা য়েলহৌমীশিংদা লম বিঘা অহুম অমদি লৈনবা য়ুম শান্নবা বিঘা তঙ্খায় অমা পীগদৌরি। অদুবু লমশিং চহী ১৫ ফাওবদি য়োন্থোক য়োনশিন তৌবদি য়ারোই হায়না চীফ মিনিষ্টর ওফিসকী চেরোল অদুনা ফোঙদোক্লি। কেবিনেটকী মীফম অদুনা বস ভারাসু চাদ ৩৫ হেনগৎনবা ৱারেপসু লৌখি।

# আই এমগী পিছ...

*লমায় ১গী মখা* গভর্ণমেন্টকী মীহুৎশিং উন্নদুনা ৱারী শান্নরিবা অসিগ অফবা ফিভম অমা পুরক্লবা হোৎনবসু লেপত্রি। অদুগা এন পি এফ নদি হু কামশিনবা প্রেস ষ্টেটমেন্ট থোকপা নত্তনা করি তৌরিবগে হায়বা ৱাহংসু এন দি পি পি না হংলি।

পার্টি অসিনা চহী য়াল্লবা ইন্দো–নাগা পোলিটিকেল প্রোব্লেম অসি নাগাগী য়ুনিক হিষ্ট্রি ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা দিমোক্রেটিক ওইবা মওংদা লোয়ননবা হোৎনবদা মতেং পাংলি। মসিনা ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্টপুসু শৌগৎলি হায়বা ৱাফমসু এন দি পি পি গী চেরোল অদুনা ফোঙদোক্লি।